# হুইয়েন লানপাউ

নিংথৌকাবা, ওগষ্ট ৩১, ২০২০, ইম্ফাল

৪৪শুবা চহী, ১৫৬শুবা মশীং


## এন ঈ ঈ টি, জে ঈ ঈ পাঙথোক্নবা থৌরাং

### মহৈরোয় অমসুং মমা-মপা ওইবশিংগী নুংনাংবা কোকহনবা ঙমদ্রি

সুপ্রিম কোর্টকী য়াথং মতুং ইন্না লৈঙাক্কী অখন্নবা থৌরাং অমগী মখাদা নেসনল ইলিজিবিলিটি টেষ্ট (এন ঈ ঈ টি) অমসুং জোইন্ট ইন্ট্রান্স ইগজামিনেসন (জে ঈ ঈ) পাঙথোক্নবা থৌরাং তৌরি। মহৈরোয়শিংবু লৈবাক্কী তোঙান-তোঙানবা এঞ্জিনীয়রিং কোলেজশিংদা মিং চলহন্নবগীদমক সেপ্টেম্বর ১দগী ৬ ফাওবা নেসনল টেষ্টিং এজেন্সী (এন টি এ) জে ঈ ঈ পাঙথোক্নবা থৌরাং লৌখৎলকপনি। তোঙান-তোঙানবা মেদিকেল কোলেজশিংদা মিং চলহন্নবগী মতাংদনা সেপ্টেম্বর ১৩ দা এন ঈ ঈ টি পাঙথোক্কদৌরি। অদুবু কোভিদ-১৯গী লাইচৎ লাকশিন্নবগী পান্দমদা লৈবাক্কী মফম শীনবা থুংনা লোকদাউন তৌবগা লোয়ননা ষ্টেট খরদা ঈচাউগী অৱাবা মায়োক্নরিবা মরম্না হৌজিক-হৌজিক ইন্ট্রান্স ইগজাম পাঙথোকপা মতাং চাদে হায়না মায়কৈ কয়াদগী ফোঙদোক্নরক্লি। হীরম অসিগী মতাংদা ষ্টেট তরুক- ৱেষ্ট বেঙ্গল, মহারাষ্ট্র, রাজস্থান, ছটিশগর, ঝরখন্দ অমসুং পঞ্জাবনা সুপ্রিম কোর্টতা রিভিয়ু পিটিসন অমা ফাইল তৌখ্রে। সুপ্রিম কোর্টনদি ইগজাম অনীমক মখা তানা য়ৈথোকপা য়ারোই, ফনা তমথিবা লাইচৎ শন্দোরক্লবসু মহৈরোয়শিংগী কেরিয়র মাঙহনবা য়ারোই হায়না ওগষ্ট ১৭তা ৱায়েল পীখ্রবনি। লৈবাক্কী তোঙান-তোঙানবা মফমদা কোভিদ-১৯গী কেস মশীং কা-হেন্না ৱাংখৎলকপা মরম্না মহৈরোয় খরনা ত্বিটর অমসুং অতৈ সোসল মীদিয়া প্লেটফোর্মশিংগী খূত্থাংদা ইগজাম অনীমক য়ৈথোকপীনবা প্রোটেষ্ট তৌরি। মহৈরোয় কয়ামরুম কন্টেনমেন্ট জোনদা লৈবা অমসুং কিলোমিটর চা কয়া লাপ্না চৎলগা ইগজামমদা শরুক য়াগদবা মরম্না এন ঈ ঈ টি অমদি জে ঈ ঈ য়ৈথোকপীনবা হায়রকখিবনি। পূম্নমক অসিগী মথক্তা অসাম অমদি বিহারনচিংবা ষ্টেট খরদা ঈচাউগী অৱাবা মায়োক্নরি। ঈচাউ থোক্লবা মফমদা লৈরিবা মহৈরোয়শিংনা ইগজাম সেন্টর তান্না চৎপা হায়বসি অৱাবগী মশক্লি। কনাগুম্বা মহৈরোয় খরদি ময়ূমদগী কিলোমিটর ২০০ হেন্না লাপ্পা মফমদা ইগজাম য়াওবা চৎকদৌরি। হায়রিবা মহৈরোয়শিং অদু নোংমা মাঙজৌননা ময়ূমদগী থোরকপা মথৌ তাগনি। ইগজাম সেন্টর য়ৌনবা বস নৎত্রগা ট্রেন তোংদুনা চৎপা অমসুং হোটেলদা অহিং য়ারেকপদা খূদোংচাদবা কয়ামরুম মায়োক্নগনি হায়না মহৈরোয় খরনা ফোঙদোরক্লি।

নাকল অমরোমদা য়ুনিয়ন মিনিষ্ট্রি ওফ এদ্যুকেসননা হায়রিবদি মহৈরোয় চাদা ৯৯ রোম মশানা অপাম্বা সেন্টরদা ইগজাম শরুক য়াহনগদবা মরম্না খূদোংচাদবা মায়োক্নবগী ৱাফম লৈরোই হায়বসিনি। মহৈরোয়শিংগী খূদোংচানবগীদমক জে ঈ ঈগী সেন্টর ৫৭০ ওইরম্বদগী ৬৬০দা হেনগৎলে; এন ঈ ঈ টিগীনা সেন্টর ২,৫৪৬ ওইরম্বদগী ৩,৮৪২দা হেনগৎলে হায়রি। এদ্যুকেসন মিনিষ্টর রমেশ পোখ্রিয়াল নিশাঙ্কনা হায়খি, জে ঈ ঈদা শরুক য়াগদবা মহৈরোয় লাখ ৮.৫৮গী মনুংদা মহৈরোয় লাখ ৭.৪১না এদমিট কার্দ দাউনলোদ তৌখ্রে। এন ঈ ঈ টিগী ওইনদি মহৈরোয় লাখ ১৫.৯৭কী মনুংদা লাখ ৬.৯৪না এদমিট কার্দ দাউনলোদ তৌখ্রে হায়রি। অদুবু মেদিকেল এক্সপর্টশিং য়াওবা অৱাংবা থাক্কী কম্মিটি অমগী রেক্কমেন্দেসন মতুং ইন্না মতীক চাবা চেকশিন থৌরাং লৌখৎলগা নেসনল টেষ্টিং এজেন্সী (এন টি এ)না ইগজাম পাঙথোক্নবা থৌরাং লৌখৎলবসু মহৈরোয় কয়ামরুম্না সোসল মীদিয়াগী খূত্থাংদা লেপ্পা লৈতনা প্রোটেষ্ট তৌরি। ষ্টুদেন্টস ফেদরেসন ওফ ইন্দিয়া, ওল ইন্দিয়া ষ্টুদেন্টস ফেদরেসন অমদি ওল ইন্দিয়া ষ্টুদেন্টস এসোসিয়েসননচিংবা মহৈরোয়শিংগী লূপ কয়ানসু সেপ্টেম্বর ২দা লৈবাক্কী মফম শীনবা থুংনা হীরম অসিগী মতাংদা খোঙজং চঙশিনগদৌরি। নাকল অমরোমদা মতম চানা এন ঈ ঈ টি পাঙথোক্তবা তারবদি কুমজা ২০২৫দা লৈবাক অসিনা দোক্টর অমা ফাওবা পুথোকপা ঙম্লরোই হায়না নুংনাংবা ফোঙদোরক্লি। মদুনা মরম ওইরগা দোক্টর ৱাৎপগী অৱাবা মায়োক্নরগনি হায়রি। হৌজিক-হৌজিকমকসু ইন্দিয়াদা দোক্টর ৱাৎপগী অৱাবা মায়োক্নরিবনি। ৱর্ল্ড বেঙ্ককী রিপোর্ট অমনা হায়, ইন্দিয়াদা মীওই ১০০০ খূদিংগী দোক্টর অমমম্ থুংনরি। চহী অমদা অনৌবা দোক্টর, এঞ্জিনীয়র, মেনেজর, চার্টর একাউন্টেন্ট অমসুং সিভিল সর্ভেন্ট অমত্তা পুথোক্তবা তারবদি লৈবাক্কী য়াম্না চাউনা মাঙজবা ওইগনি হায়রি। মতৌ অসুম্না নাকল অমরোমদা মহৈরোয় অমসুং মমা-মপা ওইবশিংনা কোভিদ-১৯গী মতাংদা নুংনাংবা পোক্তুনা ইগজাম পাঙথোকহন্নিংদ্রি। অতোপ্পা নাকল অমরোমদনা অনৌবা দোক্টর অমসুং এঞ্জিনীয়র পুথোকপা ঙম্লরোইদ্রা হায়বগী মতাংদা লৈঙাক্না নুংনাংবা পোক্লি। নাকল অনীমক্কী ৱাফমদা অচুম্বা খরা-খরদি অদুম্মক য়াওই হায়বা য়াই। অদুম ওইনমক লৈঙাক্না মহৈরোয় অমদি মমা-মপা ওইবশিংগী নুংনাংবা কোকহন্নবা থৌরাং অমদি লৌখৎফম থোক্লে।

## এডিটরদা থারকপা চিঠি

### ইমা-ইপাগী মরুমদা নহাক্কী পন্থুং য়ৌনবা হোৎনসি

**ইকায়খুম্নজরিবা এডিটর,**

ঐখোয় মীওইবা খুদিংমক মপূং ফানা লৌশিং লৈরগা পোক্লকখিবা নত্তে। পোক্লকপা মতমদা মীওইবা খুদিংমক চপ মান্ননা পোক্লকখিবা ঙাক্তনি। ঐ-ঐগী অকোয়বদা লৈরিবা অমদি ইশানা হোৎনজখিবা অদুগী মখা পোন্না খেন্নহল্লকপা ঙাক্তনি। খ্বাইদগী হেন্না মরু ওইরিবসি ঐ ইশানি, ঐগী অকোয়বদা লৈরিবা কয়ানা ফরবসু ইশানা হোৎনদ্রবদি পূম্নমক অরেম্বদা তাগনি। খোঙথাং খুদিং ইকায়বা নংগনি। ঙসি ৱানা লৈরম্বা মহাক্তো মশানা হোৎনজবদগী নুংঙাইখিবা কয়া মীৎসিনা উরি, নাকোংনা তারি। মখোয়না নুংঙাইবা উরগা অউবশিংনা কল্লক্করি, অদুবু মখোয়না ফীভমদু য়ৌরক্লবা হোৎনবদা কয়ামুক য়াম্না ৱাখিবগে হায়বদুদি নোংমতসু খঞ্জিল্লুদে, নৈনরুদে। ৱাদনা নুংঙাইবা কনাবু লৈবগে? অমরোমদা নুংঙাইনা লৈরম্বা মীওই কয়া মশানা হোৎনদবনা তুংগী পুন্সিদা ৱানা হিংখিবসু উবীরমগনি।

মতাং অসিদা থমজনীংবা ৱাফমদি, মীওইবা ঐখোয়দি ইনখৎলকপা মতমদা হোৎনজখিবা, তৌজখিবা অদুগী মহয় চাজবনি। ইনখৎলকপগী মতম হায়বসিদি নোংলৈ নুংশিৎকী মতৌগুম্বনি হায়নরিবনি। অফববু ওইগেরা, ফত্তববু ওইগেরা অউ-অউবা খুদিংমক নোংলৈ নুংশিৎকুম্না হুমগদবা মতমনি। মমা-মপা ওইরিবশিংগী খ্বাইদগী ৱাজবা, খ্বাইদগী পাখৎচবা মতাংসু ওইরিবনি, ওইফমসু থোকই। অঙাং ওইরিঙৈদা ফরকখিবা কয়া মতম অসি য়ৌরকপদা লম্বী শেরান্ননা চৎখিদুনা মমা-মপাগী নীংজবা কয়া কায়খিবসু য়াওদবা নত্তে। ইনখৎলক্লিবা তুংগী যূম্বী ওইরক্কদৌরিবা নখোয়দি হোৎনগদবনি, হোৎনবদা ঙমদবা লৈতে কাউরোইদবনি। লমজেল তান্নবা হায়বসিদি অথোই-অহেন অদুম লৈগনি অদুবু মীয়ামদগী হেন্নবদি হোৎনগদবনি। অসিগুম্বা মতম অসিদা মমা মপা ওইরিবশিং, ওজা-গুরু ওইরিবশিং অমদি অকোয়বদা লৈরিবা ফীভমশিংগীসু য়াম্না মখা পোল্লি। মমা-মপা ওইরিবশিংনা মচাগীদমক থম্মোয় শেংনা হোৎনজরিবা অদুগী মহয়সু মচাশিংদগী ফংগনি। মচা ওইরিবশিংগী ঙাক্লৌ ওইজরিবা মমা-মপা ওইবশিংনা ফত্তবদগী, ঙাক্লৌ অদুনা শৌগৎলিবা মচাশিং অদু অয়াম্বনা শেরান্ননা অদুম চৎখিবা উরি, তারি। খুদম ওইনা ইমুং অমদা লৈমিন্নরিবা মপা অদুনা য়ু তোয়না ঙাওদুনা নৎত্রগা ফত্তবা লম্বীদা খোঙদারকপদগী ইমুং-মনুংগা নুংতিগী নিংঙাই শংদান্নরবা, মচাশিং অদুগী থম্মোয়দা ফত্তবগী মমি অদুম তাখিবা তাবনি। ইরমদমসিগী মমা-মপা ওইরিবশিং ইচাগীদমক হিংবীয়ু। চরা নাম্মতা চারবসু মখোয়দুদি অচৌবা মী অমা ওইহনগে খন্না হোৎনবীয়ু। মচা ওইরিবশিংনসু ইমা-ইপাগী অনীংবা, থম্মোয়গী ইহুল খঙনা খোঙ থাংসি। নশাগী লম্বীদি নশানা শেমজগদবনি। অরেম্বদা মতম মাঙহল্লোইসি, ঙসি হায়বা নুমিৎসি নহাক্কী পুন্সিদা অমুক হল্লক্লরোইদবনি। ঙাক্লৌ ওইরিবা ইমা-ইপাগী মরুমদা নহাক্কী পন্থুং য়ৌনবা হোৎনসি।

*অদোমগী - মাইবম সোমেন*

*লাংমৈথেৎ ময়ায় লৈকায়, থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট*

## লৌমীশিংগী কাখল

# লৌউ-শিংউগী ৱাহং পাউখুম

| পাউখুম পীবিরিবা ঃ |
| --- |
| ডা. এম থোইথোই সিংহ |

**Q.** লৌফম অমত্তদা ৱাহিক লাক্লবা ঙমদ্রে, ৱাহিক্না লান্দারে। ঐনা হীদাক অহুম লমদা সিহালোথ্রিন, অলফ্রেদ ৩৫ অমসুং বোটোজিন-৯৫ য়ানশিন্নরগা কাপ্পী। কাপখিবা নুমিৎতুদি খরা ফরম্লগা মতুংদা য়াম্না হেনজিল্লকই। করি কাপ্লগা ফগদগে?

- ময়েংবম মোমোচা, ৱাইতোন

☞ চুম্মী, মণিপুরদা ফৌদা তাবা ৱাহিক হায়না মীয়াম্না খঙনরিবা হোপ্পরশিং লাকশিন্নবগীদমক মখল কয়াগী হীদাক থিনৈ, কাপনৈ। অদুবু ফবা ঙমদে; শেলদা চঙলগা মতোকই। মমাঙঙৈদদি তীলসি অদুক য়াম্না মরু ওইদবা (মাইনর পেষ্ট) ওইরম্মী অদুবু ঙসিদি খ্বাইদগী হেন্না মরু ওইবা (মেজর পেষ্ট) ওইরে।

ঙসিমক্কী ওইনদি হোপ্পরগীদমক *রিকমেন্দ তৌবা অকক্নবা হীদাক অমা, অতোপ্পা হীদাক অমত্তা য়ানশিন্দনা চাং চপ চানা* ঈশিংদা য়াল্লগা শঙম অমা চাউবা লৌফমদা হীদাক য়াল্লবা অথিৎপা হীদাক্তু লিটর ১০০ কাপথোক্লগা ইকোম কোম্না ফগনি। কাপকদবা হীদাক্তু ষ্টিকর নত্তনা অতোপ্পা অমত্তা য়াল্লোই। হীদাক য়ানশিল্লগা কাপলোই; কাপনীংলবসু ফোর্মুলেটরশিংগা হান্না য়াল্লবা; অয়ানবা হীদাকশিং শীজিন্নবা য়াই। ঈশিং থাদোকখ্রবা মতুংদা কাপকনি।

ঈশিং থাদোকপা য়াদবা ইরিরগা লৈবা লৌফম ওইরবদি Hortimin (Agricultural mineral oil) মিলিলিটর ৩০ ঈশিং লিটর ১০ খুদিংদা য়াল্লগা কাপথোক্কনি। শঙম অমা চাউবা লৌফমদা Hortimin মিলিলিটর ২৫০ চঙগনি।

লৌফমদু ঈশিং লৈতবা মফম ওইরবদি হান্না হীদাক য়ানশিন্নরগা কাপখিবা নুমিত্তুগী মতুং নুমিৎ ১০নি শুবদা Control (Imidachloprid 17.8% + Dimethyl sulfoxide 38.4%) মিলিলিটর ১৫ ঈশিং লিটর ১৫ খুদিংদা য়াল্লগা কাপথোক্কনি।

অদুগা 'ৱাহিক লাক্লবা ঙমদ্রে; ৱাহিক্না লান্দারে' হায়বদুদি মীওই কয়া অমনসু হায়নৈ অদুবু খরা শোয়নবা মাল্লি। ঐগী মীৎয়েংদদি হীদাক কাপলিবা মীওইশিংনা (৯৯%) লৌবুক্তা লান্দাবনি। কাপলোইদবা হীদাক ময়াম অমা য়ানশিল্লগা ৱাহিকপু হাৎনবা হোৎনবনি; ফৌ পাম্বীনা অৱাবা নংবনি খঞ্জে। মসিদা ফৌ পাম্বীনা নুংঙাইরমগদবা মান্দে। পোত্থোক হন্থগনি।

**Q.** ফৌ পোল্লে। মনা কোনশিনবী তাবদগী Karate কাপখিবা নুমিৎ ১০নি শুরে অদুবু মনা কোনশিল্লিবদুগী মনুংদা তীল য়াওরম্বসু য়াওরি। মসিবু মখা তানা হীদাক কাপখিগদ্রা? ফৌনা মতোনশিংদা কুরাক অঙৌবা তোংবসু উই। করম-করম্বা চেকশিন থৌরাং লৌখৎপা য়াবগে?

- নহাকপম মেঞ্জর, চরাংপাৎ মনীং লৈকায়

☞ ফৌ পোল্লবদি মনাশিং লিরে। অনৌবা মনা ইয়াও য়াওররোই। মখা তানা মনা কোনশিনবী শন্দোরক্লরোই। হীদাক কাপখিবদুনা অয়াম্বা তীলশিং শিরম্লগনি। অমা অনীখক য়াওবদুগী হীদাক অমুক কাপ্লরোই।

অদুবু মনা মতোন্দা কুরাক অঙৌবা তোংলিবদুগীদমক্তদি ফৌনা মতোন্দগী ফুট অমা অনী ৱাংখৎলগা চৈশিং ফৌরক্তা য়ুংশিনবা (ফুট ২০ মুক থাপ্পনা) য়াই। মসি উচেকশিংগী কাইদোংফম ওইনবনি। ফৌনা মতোন্দা তোংলিবা তীলশিং ফাদুনা চাথোকখিনবনি।

করিগুম্বা ফৌ পাম্বীশিংগী ময়োলশিং কংবা অমসুং ময়োন্দু শৎপা য়ারবদি Ampligo মিলিলিটর ৬ ঈশিং লিটর ১৫ খুদিংদা য়াল্লগা শঙম অমা চাউবা লৌফমদা হীদাক মিলিলিটর ২৫ কাপথোক্কনি নৎত্রগা Coragen মিলিলিটর অহুম ঈশিং লিটর ১৫ খুদিংদা য়ানগনি। শঙম অমা চাউবা লৌফমদা মিলিলিটর ২০ চঙগনি।

**Q.** এদিটর ইবুংঙো, অদোমগী পাউচেদা য়াওরকপা লৌউ-শিংউগী ৱাহং পাউখুম কলমদা হায়বীরকখিবা পাউখুমদুদা Monocrotophos তোয়না থেংনবা ঙাদি মমিৎতা কুপশিল্লক্কনি হায়বীরকখিবদু ঐগী ঙায়োক ফার্মদা চপ চানা য়াওবা থেংনজৈ। কাপখিবা হীদাকসু নীংশিংজদ্রে। ঐগী ঙাসিদা হায়রিবা মওংসি থেংনরে, ফনবা পাম্বৈ তাকপীয়ু।

- শত্রাজিৎ কাংঙবম, থিয়াম কোঞ্জিল, ইম্ফাল ইষ্ট

☞ নিংথিনা পাবীবা অমসুং মরী লৈনবা ৱাহংশিং হংবীরকপা থাগৎচৈ। মকোক চাউবা, মতোং য়াওদ্রবা ঙা খরা ফাবীরগা মমিত্তু য়েংবীয়ু। মচু শেংদ্রবা, অৱাওবা ওইনা উরবদি হীদাক্না থোকহনবা ওইগনি। ফননবা হোৎনবদা মায় পাক্লোই। ফাদোকখিবনা ফরে। ঙায়োক পুখ্রিগী অকোয়বদা (dyke) মখল কয়াগী পাম্বী থানৈ। তীলনা কয়াগী হীদাক কাপনৈ। অদুবু ঙাদা শোক্তবা হীদাকশিং ওইনা শীজিন্নগনি। ঙসিদি মখল কয়াগী biopesticides লৈরবনিনা ৱানীংঙাই ওইদ্রে। চপ চাবা হীদাক খনবা য়ারে।

> *এগ্রিকলচরেল সেক্সন - হুইয়েন লানপাউ*
> **[ফার্মরশিংনা লৌউ-শিংউগা মরী লৈননা, ঙা, শা-ষণ য়োকপনচিংবগা মরী লৈনবা ৱাহংশিং চিঠি ইরগা থাবীরকউ।]**
> **চিঠি থারকফম**
> **এগ্রিকলচরেল সেক্সন - হুইয়েন লানপাউ**
> **সেগা রোদ থৌদা ভাবোক লৈকায় ইম্ফাল, ৭৯৫০০১**
> **নৎত্রগা**
> **অদোম্না লৌউ শিংউবা, শা-ষণগা মরী লৈনবশিংগী মতাংদা খঙবিনিংবা লৈরবদি ঈ-মেল *hueiyenagri@gmail.com* দা চিঠি থাবিরক্তুনা হংবিরকপা য়াগনি।**

# মতম চানা অমদি কাঙলোন চুম্না লোক্তুনা অমদি লীদুনা ফৌ মাঙবদগী কলহৌসি

**- এস সুমঙ্গল -**

কুমসি চহীসি নোং য়াম্নমক মরাং কায়না চুদ্রবসু চাং নাইনদি চুই হায়বা তাই। হৌজিক ফাওবগী ওইনদি ঈশিং ঈচাও থোকপা থেংনদে। লৌউ-শিংউ তৌরিবা ইচিন ইনাওশিংগী ওইনা য়াম্নমক লাইবক ফবা কুমনি হায়বা য়াই হায়না থমজনীংই। মণিপুরগী ওইনা মফম খুদিং, মায়কৈ খুদিং লৌ নিংথিনা, মতম চানা পানবগী পাউ তানরি। মরক্তা শাথীবা তীলনা খরা তাবগী পাউদি তাই। চেকশিল্লবদি মসিমক্না অমাঙ অতা শাথীনা থোক্কনি হায়বদি মান্দে।



কেলহৌবা মৱুনা হৌরকপা ফৌ



লোকপা য়ারবা ফৌ

অঙনফৌ থাদুনা হোৎনহৌবা লৌমী ইচিন ইনাওশিংসু ফৌ নিংথিনা ফদুনা লোকপগী পাউসু তাই। য়াম্না লাইবক ফবা চহীনি। অঙনফৌ লোকপীরিবা ইচিন ইনাওশিংগী মফমদা থমজনীংবসি অয়াম্বা লোক্নরিবা ফৌ খুদিংমক ঈশিং লৈবা মফমদগী লোকপা ওইনা তৌবা মরম্না নিংথিনা পামহৌবগী তাঞ্জা ফংদবনা অয়াম্বনি। অচোৎপা মফমদগী লোকপা ওইবনা ফৌ লোক্লবা মতুংদা নিংথিনা ফৌদুনা কংহনবা হায়বসি য়াম্নমক মরু ওই। ফৌ কংদনা থমজিনবা হায়বসি লায়না অমদি তীলনা অনীমক তাশিন্নবগী অচৌবা মচাক অমা ওইহল্লি। কোকফাই কাশিন্দুনা অমদি ফৌজুম্না ফৌ য়াম্না মাঙবা থেংনজৈ, চেকশিনবীগনি।

**ফৌ লোকপা :** ফৌ লোনবা মতম শোইবনা ফৌ য়াম্না মাঙবগী মচাক ওইহল্লি। ফৌ লোকপগী খ্বাইদগী ফবা মতমদি চরোংদা পাল্লিবা মৱূশিংগী চাদা ৮৫-৯০ মুন্দুনা চরু মচু ওল্লবা মতমদনি। হায়বদি ইপা ইপুশিংনা তোংশং নাইরিঙৈ হায়নবা চরোংগী মখোকলোম থংবা শরুক্তা অশংবা মৱূ খরা পাল্লিঙৈ মেৎপদদি মখোম থোক্ত্রবা মতমদা ওইগনি। মখোক্তা পাল্লিবা মৱূশিং মুনবা ঙাইরিঙৈ চরোংগী মতোন্দা পানবা মৱূ চঙ-চঙ লাওবা, মবুক থনবা খুদিংমক কেনখিবনা হানগনি। মসিগী খুদম হায়ববু ইঙা, ইঙেনগী নোং চুরকপা মতমদা লৌবুকশিংদা লৌহোন হুনবদগী হেন্না কুংনা হৌরক্লিবা ফৌশিং অদুনি। মণিপুরগী য়াল্লবা লৌ পরি লাখ অনীদা লৌহোন হুনবগুম কুংনা হৌদুনা মাঙখ্রিবা ফৌসি কয়া য়াল্লবনো পাদুনা য়েংবা য়াই। লৌ পরি অমদা পাম্ফেল হুনবদা চাউরাক্না কিলো ৭০ হুন্নে। মদু লৌহোনগুম কুংনা হৌদে। লৌহোনসু কুংনা হৌরবদি মদু ফৌ কিলো ১৫০ মুক্তি ওইগনি খল্লি। অদু ওইরবদি লৌ পরি লাখ অনীদদি কিলো ২০০০০০ x ১৫০ = ৩০০০০০০০ ওইরে। হায়বদি কিলো ৬০না ফৌ পোৎ অমা ওইবদা ফৌ পোৎ (৫০০০০০) লাখ মঙা ওইরে। ফৌ কিলো অমদা লুপা ২৫দা পাদুনা য়েংলবদি লুপা ৩০০০০০০০ x ২৫ = লুপা ৭৫০০০০০০০ লুপা কোটি হুম্ফুতরা মঙা মাঙখ্রে হায়বনি। কয়া য়ামখ্রবা শেনফমনো। মুন্না খন্থহৌসি, মাঙহনগুমসি, ফৌ মতম চানা লোক্লবা হোৎনসি। চাউরাক্না পাজবনি।

**ফৌ লীরিঙৈ মতমদা করম্না ফৌ মাঙবগে? :** ফৌ চেঙ লীবা মতমদা চাদা লায়না তীলনানা ১৫-২০ মাঙহল্লি। হায়বদি ফৌ পোৎ ১০০ লীবা মতমদা ফৌ পোৎ ১৫-২০ মাঙই হায়বনি। অপূনবা মণিপুরগী ওইনা পারবদি কয়া য়াম্লমগনি। অমুকসু মসিদগী উচিনা মাঙহনবনা অমুক হেল্লিবনি। নোংমদা উচি অমনা ফৌ নৎত্রগা অতৈ মৱূ মরাং কিলো ৬ তুপথোকপা ঙম্মী হায়নরিবনি।

**করম্না লায়না তীলনা চঙলকপগে?**

(১) ফৌ অমদি অতৈ অতৈ মহৈ মরোংনা লৌবুক্তা লৈরিঙৈ মতমদা তীল মপিশিংনা কোকশিল্লম্বা মৱূম অমদি মপি অমুক ওল্লমদাইগী মহুম য়াওরকই। মসিনা লীরিবা মফমদা অমুক শন্দোরকই।

(২) মহৈ মরোং লোকপদা শীজিন্নরিবা খূৎশু খূৎলায়শিং অমদি মহৈ মরোংশিং হাল্লিবা বোরানচিংবদগীসু লায়না তীলনা শন্দোকপা ঙম্মী।

(৩) হান্ননা কোত্তা লৈরম্বা তীলনাগী মপি, মৱূম, মচানচিংবদগী শন্দোকপসু অদুমক য়াওরিবনি। নুংশিৎতা য়াওবা কোকফাইগী মৱূ অমদি হান্না লৈরম্বা কোকফাইদগীসু শন্দোকই। লোয়ননা (৪) লীরবা মতুংদা অকোয়বদা লৈরম্বা তীলগী মপি, কোকফাইগী মৱূদগীসু অদুমক শন্দোকই।

অসুম্না করম্না লায়না তীলনা শন্দোকই হায়বা অসি মুন্না খঙলবদি মসিদগী করম্না ঙাকথোক্কনি হায়বসু খরা খঙবা য়ারে।

**করম্বা মফমদা করম্না কোৎ শাগনি :** কাঙলোন চুম্না অমদি মফম চানা কোৎ শারবদি লায়না তীলনা অমদি উচিদগী ফনা য়াম্না ঙাকথোকপা ঙমগনি। কোৎ অসি লৈনরিবা য়ূমদগী খরা লাপ্পা, নুংশিৎ-নুংশা মরাং কায়না ফংবা, উখা ৱাখা ওইদবা মফমদা শাগনি। কোৎকী ফম্পাক্কী অৱাংবা অসি লৈমায়দগী ফুট ৪ ওইহনগনি। ফম্পাক্তা ৱাংবা মান্ননা কোৎকী অকোয়বদা ফুট ১.৫-২ ইকোয় কোয়না হেন্দোকহনগনি। ফুট ৪ ৱাংবা ফম্পাক অদু কানবা থল্লিবা কৈরাক অদু থাংদোক থাংজিন য়াবা ওইহনগনি।

**খঙজিনবা য়াবা অতোপ্পা ৱাফম খরা :** মৱূ মরাং খুদিংমক কংনা ফৌবা হায়বসি মতম পূম্নমক্তা কাউদবা ফৈ। কংদবা মৱূ মরাংদা মৱূমদগী ওল্লকপা তীল মচাশিংনা ইরায় লায়না হুৎতুনা মৱূ মনুংদা চঙখিবা ঙম্মী। অকংবা মৱূদা পাক হেক চঙবা ঙমদে। লীদুনা থল্লিবা ফৌ অমদি অতৈ মৱূ মরাংশিং থা খুদিংগী চেক তৌদুনা য়েংবীগদবনি। লায়না তীলনা থেংনরবদি অখঙ অহৈ তানদুনা ঙাকথোক্লবা পাম্বৈ থিগনি।

অসুম্না কাঙলোনশিং খঙনা লীরবা লোয়ননা লোকপগী মতম চুম্লবদি অমাঙবা কয়াদগী ঙাকথোকপা ঙমগনি। ●